# য়ু এস কোংগ্রেস দেলিগেসননা পি এম নরেন্দ্র মোদিগা বাইলেটরেল ইস্যুশিং খন্নখ্রে



ন্যু দেল্লী, নভেম্বর ১৩ (এজেন্সী):
প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থাংজ নুমিৎতা য়ু এস কোংগ্রেসকী দেলিগেসন অমগা উনদুনা লৈবাক অনীগী মরী ফগৎহনবা অমসুং টেররিজম, ক্লাইমেট চেঞ্জ অমসুং মরু ওইবা টেক্নোলোজিশিংগী সপ্লায় চেনগুম্বা হৌজিক্কী গ্লোবেল ইস্যুশিংদা কোওপরেসন হেনগৎহনবগী মতাংদা অৰেবা মতশিং ফোঙদোক্লখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিসনা থাদোরকপা ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না, সিনেটর জোন কোর্নিননা লুচিংবা য়ু এস কোংগ্রেসকী দেলিগেসন অদুদা সিনেটর মাইকেল ক্রাপা, সিনেটর থোমাস টুবরভিল, সিনেটর মাইকল লী, কোংগ্রেসমেন টোনি গোঞ্জালিস অমসুং কোংগ্রেসমেন জোন কেভিন এলিজি সিনিয়র য়াওরি।

মীশিং য়াম্লবসু ইন্দিয়ানা কোভিদ লাইচৎকী ফিভম নিংথীনা মেনেজ তৌবা ঙম্বদা দেলিগেসন অদুনা থাগৎখি। প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী মায়কৈদগী লৈবাক অসিগী দেমোক্রেটিক কাঙলোনশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা মীয়াম্না থৰায় য়াওনা শরুক য়াবদগী খ্বাইদগী শাথিরবা পেন্দমিক অসি মেনেজ তৌবা ঙমখি হায়না দেলিগেসন অদুদা ফোঙদোকখি।

মান্নবা দেমোক্রেটিক ভেল্যুশিংনা লীপুন ওইবা ইন্দিয়া-য়ু এস কম্প্রিহেন্সিভ গ্লোবেল ষ্ট্রেটেজিক পার্টনরশিপ হেন্না চেৎশিলহনবদা য়ু এস কোংগ্রেসনা লৌরিবা থৌদাংবু প্রাইম মিনিষ্টরনা থাগৎখি।

মোদি অমসুং য়ু এস কোংগ্রেসকী দেলিগেসন অদুনা ষ্ট্রেটিজিক পার্টনর অনীগী মরক্তা ষ্ট্রেটেজিক ইন্টরেষ্ট মান্নবা হেনগৎলক্লি হায়না ফোঙদোকখি অমসুং মালেমদা মরা তপ্পা অমসুং তং-তাবা ফিভম অমা লাকহনবগী পান্দমগা লোয়ননা লৈবাক অনীগী কোওপরেসন হেনগৎহনবা মথৌ তাই হায়না য়ানখি।

পি এম ওনা মখা তানা হায়, সাউথ এসিয়া অমসুং ইন্দো-পেসিফিক রিজনগা মরী লৈনবা ইস্যুশিং য়াওনা নাকল অনীমক্কা ইন্টরেষ্ট লৈবা রিজ নেল ইস্যুশিংগী মতাংদা লৌথুপ লৌকোই লৈতনা খন্ন-নৈনখি।

সিনেটর কোর্নিন অসি সিনেট কোক্কস ওন ইন্দিয়া এন্দ ইন্দিয়ন অমেরিকান্সকী কো-ফাওন্দর অমসুং কো-চেয়রনি।

# এয়র পোল্যুসন হন্থনবা তঙায় ফদ্রবদি নুমিৎ নীনি লোকদাওন থম্মু : সুপ্রিম কোর্ট



ন্যু দেল্লী, নভেম্বর ১৩ (এজেন্সী):
দেল্লী-এন সী আরদা এয়র পোল্যুসন হেঞ্জিল্লকপদগী ফিভমবু থাংজ নুমিৎতা সুপ্রিম কোর্টনা হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা চরুখোক মৈ থাব, গাড়ী, ফায়রক্রেকর, ইন্দষ্ট্রি, উফুল-ৰাইফুলনা শোকহল্লিবা পোল্যুসনগী লেভেল হন্থনবা তঙাই ফদ্রবদি গভর্ণমেন্টনা নুমিৎ নীনি লোকদাউন লাউথোকপা য়াই হায়বা সজেসন পীখ্রে।

টোপ কোর্ট অসিনা এয়র পোল্যুসনগী ইস্যু অসি পোলিটিক্স অমসুং গভর্ণমেন্টশিংগী ৰাংমদা য়েংথিনবা মথৌ তাই হায়না ওবজর্ভ তৌখি। চীফ জষ্টিস এন ভি রামানানা লুচিংবা বেঞ্চ অমনা সেন্টর রিপ্রজেন্ট তৌরিবা সোলিসিটর জেনরেল টুশর মেহতাদা হায়খি মদুদি দেল্লী এন সী আর রিজনদা এয়র পোল্যুসনগী চাং য়াম্না ৰাংলে। য়ুমদা ঐখোয়না মাস্ক উপ্লি। মসি ফৎত্রবা ফিভম অমনি।

চীফ জষ্টিসনা মখা তারদুনা, দেল্লীদা এয়র পোল্যুসন করম্না কন্ট্রোল তৌগদগে হায়বসিদা ঐখোয়গী সজেসনদি তঙায় ফদ্রবদি নুমিৎ নীনি লোকদাওন থম্বা য়াই। দেল্লীগী মীয়াম করম্না লৈগদগে হায়বসি হংবা য়াবা ৰাহংনি। গভর্ণমেন্টনা এ ক্যু আই ৫০০দগী ২০০দা হন্থহন্নবগী খোঙথাংশিং য়েংশিনবগা লোয়ননা মদু ইমপ্রুভ তৌগদবনি হায়না চীফ জষ্টিসনা ফোঙদোকখি।

মেহতানা মহাক্কী অর্গ্যুমেন্ট অদু এন সী আর অমসুং লোন্নবা এরিয়াশিংদা এয়র পোল্যুসন হন্থনবা এয়র ক্বালিটি মেনেজমেন্ট কম্মিসননা লৌখৎলিবা খোঙথাংশিং কুপ্না পল্লদুনা হায়খি। কম্মিসননা লৌখৎলিবা খোঙথাংশিং অদুগী মনুংদা চরুখোক মৈ থাবগী প্রোব্লেম থিংনবা হোৎনবা য়াওরি।

জষ্টিস দি ৰাই চন্দ্রচুদ অমসুং জষ্টিস সুর্য়া কান্তসু য়াওবা বেঞ্চ অদুনা হায়, লৌমীশিংবু মরাল শীবগী মহুত্তা ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিং অমসুং সেন্টরনা ইস্যু অসি য়েংশিনগদবনি।

চীফ জষ্টিসনা মখা তাবা ওবজর্ভেসনদা হায়খি, লৌমীশিংনা চরুখোক মৈ থাবনা থোকহল্লিবা পোল্যুসন অসি চাদা ২৫দনি। চাদা ৭৫দি ফায়রক্রেকর, গাড়ীশিং অমসু উফুল-ৰাইফুলনা থোকহনবনি।

চীফ জষ্টিসনা মেহতাদা ফায়রক্রেকর অমসুং গাড়ীশিংনা থোকহনবা পোল্যুসন কন্ট্রোল তৌনবগী ইফেক্টিভ মেকানিজম কদাইনো হায়না হংখি। মদুদা মেহতানা সেন্টর অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিং অনীমক্কা য়েংশিল্লি হায়খি।

চীফ জষ্টিসনা মখা তারদুনা গভর্ণমেন্টশিংনা পোল্যুসন কন্ট্রোল তৌনবগী অথুবা সোল্যুসনশিং মথৌ তাই হায়খি অমসুং অথুবা সোল্যুসন অমা ওইনা নুমিৎ নীনি লোকদাওন থম্বা য়াই হায়খি।

# রাজস্থানদা এক্টিভ কোভিদ-১৯ কেস মশিং হেনগৎলক্লে

জয়পুর, নভেম্বর ১৩ (এজেন্সী):
হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা রাজস্থানদা অনৌবা কোভিদ-১৯ কেস ১৭ থেংনখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী এক্টিভ কোভিদ-১৯ কেস মশিং ৬১ শুরে।

হেল্থ ওথোরিটিশিংনা থাংজ নুমিৎতা ফোঙদোরকপদা কেস ১০ জয়পুরদা থেংনখি। জয়পুরদা নত্তনা অনৌবা কেসশিং অদু বারমর (৪), অজমর (২) অমসুং জোধপুর (১) দসু থেংনখি। থা অসিগী ১৫দগী জয়পুরদা লৈরিবা স্কুল অমদি কোলেজ খুদিংমক চাদা ১০০ ফিজিকেল ক্লাস হৌনবা শেম-শাদুনা লৈবনা এক্টিভ কেস মশিং হেনগৎলক্লিবা অসিনা ওথোরিটিশিংদা নুংনাংহল্লে হায়রি।

মসিদা নত্তনা এস এম এস ষ্টেদিয়মদা নভেম্বর ১৭তা ইন্দিয়া অমসুং ন্যুজীলেণ্ডগী মরক্তা ইন্টরনেসনল ক্রিকেট মেটচ অমসু পাঙথোক্কদৌরিবনি। মেট্চ অদুদা ওকুপেন্সি চাদা ১০০ লৈহনগনি হায়না লাউথোকখ্রবনি। তৌইগুম্বসুং ভেক্সিন মপুং ফানা কাপ্লবা মীওইশিংদমক মেট্চ অদু য়েংবা য়াহনগনি।

চৈরকসিদা চীফ মিনিষ্টর অশোক ঘেলোটনা মীয়ামদা কোভিদ প্রোটো-কোলশিং মখা তানা ঙাক্নবা আপীল তৌখ্রে। মমাঙদা মহাক্ন ওক্টোবর ২৫দা ফোঙদোকখিবা অমদা রসিয়া, বৃটেন য়াওনা লৈবাক কয়াদা মীওই লিশিং কয়া শিহনখ্রবা কোরোনাভাইরসকী অনৌবা ভেরিএন্ট অমা ওইরিবা দেল্টা প্লস এ ৱাই.৪.২ গী কেস কয়া ইন্দিয়াদসু থেংনরে হায়খিবনি। ভেরিএন্ট অদু দেল্টা ভেরিএন্টতগী হেন্না য়াঙনা শন্দোকপা ঙম্মী। অতৈ লৈবাকশিংগী এক্সপরিএন্সতা য়ুম্ফম ওইরগা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা মতম চানা লাইচৎ শন্দোকপা থিংনবা এস ও পি ইস্যু তৌগদবনি হায়খি।

# কেরলাগী ফেক এন্টিক দিলরগী মায়োক্তা কেস রেজিষ্টর তৌখ্রে

থিরুভানন্থপুরম, নভেম্বর ১৩ (এজেন্সী):
ফেক এন্টিক কল্লেক্সনশিংনা মরম ওইদুনা মীয়াম্না শরুক-শোন্নরক্লবা মোন্সন মভুনকল অমসুং নমথাক্কী থবক অদুদা চেন্নবা মীওই অনীগী মরক্তা ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা থাংজ নুমিৎতা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখ্রে।

হৌজিক হৌজিক জুদিসল কষ্টদিদা লৈরিবা মভুনকল ক্রাইম ব্রাঞ্চনা হৌখিবা সেপ্টেম্বরদা মহাক্কী হোম-কম-ম্যুজিয়মদগী ফাখিবনি। মহাকপু ফারিবদু ভিক্টিমশিংনা চীফ মিনিষ্টর পিনারায়ে ভিজায়নদা এক্যুজ অসিনা মখোয়দগী লুপা ক্রোর ১০ নমথাক তৌরগা লৌথোকখ্রে হায়না কমপ্লেন তৌখিবা মতুংদনি।

মভুনকলনা কেরলাগী টোপ ওফিসলশিংদা ফাওবা নমথাক তৌনবা হোৎনখি। মহাক্কী বিজিনেসতা ব্লেক মনি সর্ক্যুলেট তৌরে হায়বসি খঙলকখিবগা লোয়ননা ঈ দিনা ক্রাইম ব্রাঞ্চতা মখোয়গী প্রোব অদুগী অকৃপ্পশিং খঙহল্লক্লবা হায়খি।

মভুনকলনা মহাক্কী হাই-প্রোফাইল গেষ্টশিংবু মহাক্কী কল্লেক্সন্দা লৈরিবা এন্টিকশিং উৎতুনা মমিৎ থকহনখি। কল্লেক্সন অদুদা ‘ষ্টাফ ওফ মোজেস’ অমসুং ‘জুদাসনা যীশু খৃষ্টপু নমথাক তৌনবা লৌখিবা সিলভর কোইন ৩০গী মনুংদা অনী’ য়াওই হায়না মহাক্না ক্লেম তৌখি।

পুলিসনা ফোঙদোরকপদা, মহাক্না উৎখিবা তাঙলবা আইটেমশিং অদুদা তিপু সুলতাননা শীজিন্নখিবা থ্রোন অমা, অরিবা কোরান, বাইবল অমদি ভগবত গীতাগী খুৎনা ইবা লীরবা কোপিশিং য়াওই।

মভুনকলনা ভি আই পি কয়াবু মহাক্কী কোনুংগুম্লবা ময়ূমদা পুশিনখি। য়ূম অদু মহাক্না ‘মমল তাঙলবা’ এন্টিকশিংগী ম্যুজিয়ম অমা ওন্থোকখি। চৈরকসিদা ঈ দিনা মভুনকলগী মায়োক্তা লৈরিবা কমপ্লেন্টশিংগী অকৃপ্পশিং হংখ্রে।

# ইলেক্টোরেল রোল ওবর্জভর ৩ খনখ্রে

ন্যু দেল্লী, নভেম্বর ১৩ (এজেন্সী):
এম সী দি মীখলগী মাঙওইননা দেল্লীগী চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসরনা নেসনল কেপিটেল অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ১১গী স্পেসল সম্মরি রিভিজন (এস এস আর)গী থবকশিং য়েংশিন্নবগী-দমক দিষ্ট্রিক্ট খুদিংগী ইলেক্টোরেল রোল ওবজর্ভর অহুম খনখ্রে।

ওবজর্ভরশিং অদুনা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্টোরেল ওফিসরশিংবু গাইদ তৌগনি অমসুং ইলেক্টোরেল রোলশিংদা একুরেসি অমসুং ইনক্লুসিভনেস পুরক্লবা মতম চানা মতেং পাংগনি হায়না থাংজ নুমিৎতা ওফিসল ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

রিভিজন মনুংদা ওফিসরশিংনা ঈ সী আইদা য়ামদ্রবদা রিপোর্ট অহুম সবমিট তৌগদবনি। চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর রনবির সিংহনা এস এস আর -২০২২গী মরু ওইবা পান্দমশিং, হৌজিক চথরিবা ভোটর এৱেয়রনেস কেম্পেন অমসুং নভেম্বর ২৭ অমসুং ২৮দা পাঙথোক্কদৌরিবা স্পেসল ভোটর রেজিষ্ট্রেসন কেম্পশিংগী মতাংদা ওবজর্ভরশিংদা ব্রিফ তৌখি। মহাক্না লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী অমদি তুং কোইনগী ওইনা য়ূম হোংখ্রবা ভোটরশিংগী মিং কক্কদবনি হায়খি।

# টি এম সীনা রাজ্য সভা সিট বাই ইলেক্সনগী কেন্দিদেট ওইনা গোৱা এক্স-সী এম ফলৈরোগী মিং লাউথোকখ্রে

কোলকটা, নভেম্বর ১৩ (এজেন্সী):
কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা গোৱা এসেমব্লি মীখলদা মীৎয়েং থমদুনা থাংজ নুমিৎতা টি এম সীনা লুইজিনহো ফলৈরোবু ৱেষ্ট বেঙ্গলগী রাজ্য সভা সিট অমগী বাই ইলেক্সনগী কেন্দিদেট ওইনা লাউথোকখ্রে।



গোৱাগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা ফলৈরো মতম শাংনা কোংগ্রেসতা লৈরম্লবা মতুং হৌখিবা সেপ্টেম্বরদা টি এম সীদা য়াওখিবনি। মহাকপু হৌখিবা থাদা পার্টি অসিগী নেসনল ভাইস প্রসিদেন্ট হাপখি।

ত্বিটর পোষ্ট অমদা টি এম সীনা হায়, পার্টি অসিনা লুইজিংহো ফলৈরোবু পার্লিয়ামেন্টকী অপ্পর হাউসতা নোমিনেট তৌননবা লৌখৎলিবা খোঙথাং অসিদা অপেনবা পোকচৈ। মহাক্না লৈবাক অসিবু থৌগল তৌরিবসি মীয়াম পুম্বনা থাগৎকনি হায়না ঐখোয়না থাজৈ।

নভেম্বর ২৯দা রাজ্য সভা সীট অদুগী বাই ইলেক্সন পাঙথোক্কদৌরি-বসি টি এম সীগী এম পি অর্পিতা ঘোশনা অপ্পর হাউসতগী রিজাইন তৌখিবদগী মথৌ তারকপনি। চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা ত্রিনামুল কোংগ্রেসনা ৱেষ্ট বেঙ্গল এসেমব্লি ইলেক্সন্দা চাওনা মায় পাকখ্রবা মতুংদা বি জে পিনা লৈঙাক্লিবা গোৱা অমসুং ত্রিপুরাদা পার্টি অসিগী খোঙফম লৈননবা হোৎনরিবনি।

পার্টি অসিনা গোৱাগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ফলৈরোদা নত্তনা টেন্নিস লেজেন্দ লিএন্দর পেস অমসুং অতৈ দিগনিটরি কয়াসু চিংশিনখ্রবনি। মেম্বর ৪০ লৈবা গোৱা এসেমব্লিগী মীখল মথং চহীগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোল্লবা য়ারিবনি।

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা গোৱাদা চৎতুনা কোষ্টেল ষ্টেট অসিদা পার্টি অসিগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহনখি। পার্টি অসিনা হৌখিবা ওক্টোবর ৫দা ষ্টেট অসিগী হৌজিক লৈরিবা বি জে পি গভর্ণমেন্ট অমসুং মসিগী মমাঙদা লৈরম্বশিংগী মায়োক্তা ‘চার্জসিট’ অমা রিলীজ তৌখ্রবনি। টি এম সীগী চার্জসিট অদুনা গোৱা অসি ইন্দিয়াগী ষ্টেট পুম্নমক্কী মনুংদা থবক ফংদবা অমসুং শেল-থুমগী মতাংদা খ্বাইদগী ফিভম শোক্লবশিংগী মরক্তা ৮-শুবনি হায়না ক্লেম তৌখি।

# ট্রেন সর্ভিসতা অকায়বা থোকখ্রে

থিরুভানন্থপুরম, নভেম্বর ১৩ (এজেন্সী):
কেরলাগী ষ্টেট কেপিটেল থিরুভানন্থপুরম অমসুং নক্লবা টামিল নাদুগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা নোং কন্না চুবদগী থাংজ নুমিৎতা রেলৱে ট্রেকশিং ঈশিং থুমজিনখিবগা লোয়ননা থিরুভানন্থপুরম অমসুং কন্যা কুমারিগী মরক্তা লৈরিবা ট্রেন সর্ভিসশিংদা অকায়বা চাওনা থোকখ্রে। ইরাই নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদগী নোং কন্না চুরকপদগী মফম খরদসু লেন্দস্লাইদ থোকখি। নগের কোইল অমসুং কন্যা কুমারি মরক্তা লৈরিবা রেলৱে ট্রেকতা ঈশিং থুমজিনবদগী সাওদর্ন রেলৱেনা মফমশিং অসিগী মরক্তা চেল্লিবা ট্রেন খরা কেন্সেল তৌখি। মফম অনীদা লেন্দস্লাইদ থোকপদগী রেলৱে ট্রেকতসু অমাঙ অতা থোকখি।

# আই আই টি গুৱাহাটিনা ওইল ইন্দিয়াগা খূৎশম্নরগনি

গুৱাহাটি, নভেম্বর ১৩ (এজেন্সী):
ইনর্জি অমসুং মরী লৈনবা সেক্টরশিংদা অনৌবা টেক্নোলোজিশিং পুথোক্নুনা শীজিন্ননবগীদমক ইন্দিয়ন ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি (আই আই টি), গুৱাহাটিনা ওইল ইন্দিয়া লিমিটেদ (ও আই এল)গা খূৎশম্নরগনি।

এদ্যুকেসনেল ইন্সটিট্যুসন অসিনা থাদোরকপা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়, পার্টনরশিপ অদু হৌজিক লৈরিবা টেক্নোলোজিশিং ট্রান্সফর তৌবা, নোলেজ অপগ্রেদেসন অমসুং ইন্নোভেসন পার্টনরশিপ, ট্রেনিং অমসুং স্কিল দিভলপমেন্ট অমদি নাকল অনীগী মরক্তা য়ানবা অতৈ এরিয়াশিংদা কোর্পোরেসন পীনবদা মীৎয়েং থমগনি।

কোলাবোরেসন অদুগীদমক শগোলশেন নুমিৎতা ওর্গনাইজে সন অনীগী মরক্তা এম ও য়ু অমা খূৎয়েক পীনখি। এগ্রীমেন্ট অদু আই আই টি গুৱাহাটিগী দিরেক্টর প্রো: পি জি সিথারাম অমসুং ও আই এলগী ইগজেক্যুটিভ দিরেক্টর সাসনকা প্রতিম দেকাগী মরক্তা খূৎয়েক পীনখিবনি।

প্রো: সিথারামনা হায়, এম ও য়ু অসিনা ও আই এলগা লোয়ননা সষ্টেনেবল ইনর্জি সেক্টরগা মরী লৈননা এপ্লায় অমসুং ট্রান্সনেসনল রিছর্চকী তোঙান তোঙানবা খুদোংচাবশিং পুথোক্লবগী অনৌবা লম্বী অমা পীরগনি।

আই আই টি গুৱাহাটি অসি পেট্রোলিয়ম অমসুং মরী লৈনবা ইন্দ-ষ্ট্রিশিংদা অফবা মখলগী টেক্নোলোজিশিং পুথোকপদা কখোল্লবা ইন্দিয়াগী টোপ ইন্সটিট্যুসনশিংগী মনুং চল্লি।

# টেলঙ্গনানা লুপা ক্রোর ১০,০০০ চাদিং তৌদুনা পব্লিক হেল্থক্যের ফগৎহল্লগনি

হায়দরবাদ, নভেম্বর ১৩ (এজেন্সী):
টেলঙ্গনাগী হেল্থ এন্দ ফাইনান্স মিনিষ্টর টি হরিশ রাওনা থাংজ নুমিৎতা হায়খ্রে মদুদি পব্লিক হেল্থ সর্ভিসশিং ফগৎহন্নবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা লুপা ক্রোর ১০,০০০ চাদিং তৌরগনি।

মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী পান্দমদি মীয়ামদা কোর্পোরেট সেক্টরগা মান্ননা খ্বাইদগী ফবা হেল্থক্যের সর্ভিসশিং ফংহনবা অসিনি। মিনিষ্টর অসিনা হায়দরবাদতা লৈবা গভর্ণমেন্টনা চল্লাইবা নিলোফর হোস্পিটালদা বেদ ১০০গী ইন্টেন্সিভ ক্যের য়ুনিট অমা হাংখি। মসি হরিশ রাওনা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা মেদিকেল অমসুং হেল্থকী পোর্টফোলিও পায়রবা মতুংদা শরুক য়াবা অহানবা প্রোগ্রামনি।

হরিশ রাওনা হায়, অতোপ্পা বেদ ৮০০গী লুপা ক্রোর ৩৩ নিলোফর হোস্পিটালদা পীরগনি। মসিগীদমক অথুবা মতমদা দোক্টর অমসুং অতৈ ষ্টাফ রিক্রুট তৌরগনি।

ষ্টেট অসিদা লৈরিবা গভর্ণমেন্টনা চল্লাইবা হোস্পিটালশিংগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফগৎহন্নবা কোর্পোরেট সোসল রেস্পোন্সিবিলিটি (সী এস আর)গী মখাদা লুপা ক্রোর ১৮ পীবগীদমক হায়দরবাদ সোফটৱেয়র ওন্ট্রপ্রেনর্স এসোসিএসন (ঐচ ৱাই এস ঈ এ)বু মহাক্না থাগৎখি।

মিনিষ্টরনা হায়, লায়রবশিংদা খ্বাইদগী ফবা মখলগী হেল্থক্যের ফেসিলিটিশিং ফংহন্নবগী হায়দরবাদতা চীফ মিনিষ্টর কে চন্দ্রসেখর রাওনা দিরেক্সন মরিদা মেদিকেল টাৱর মরি শাননবা থৌরাং তৌরি।

হরিশ রাওনা মখা তানা হায়, দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা মেদিকেল কোলেজ অমমম লৈহন্নবগীদমক পান্দমদসু গভর্ণমেন্টনা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎনবা হোৎনরি। টেলঙ্গনা ষ্টেট শেমখিবা মতমদা গভর্ণমেন্ট মেদিকেল কোলেজ মঙাখক লৈরম্বদগী হৌজিক্তি অসিগুম্বা কোলেজ ২১ শুরে। মথং চহীদগী গভর্ণমেন্ট কোলেজ ৯ অমসু মথৌ তৌবা হৌরগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। হৌখিবা গভর্ণমেন্টনা পব্লিক হেল্থ সেক্টরদা অখন্নবা মীৎয়েং থম্নবা ৱারেপ লৌরে হায়না ফোঙদোকখিবনি।

# নুপী মহৈরোয়শিংদা সেক্স্যুএল হরাসমেন্ট পীরম্বা প্রিন্সিপাল ফারে

য়াদগির, নভেম্বর ১৩ (এজেন্সী):
কর্নাটককী য়াদগির দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা রেসিদেন্সিএল স্কুল অমগী প্রিন্সিপাল অমা নুপী মহৈরোয়শিংদা সেক্স্যুএল হরাসমেন্ট পীরম্বগী মরালদা ফারে হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

পুলিসকী মতুং ইন্না এক্যুজ অদু হয়ালাপা কৌই। মহাক য়াদগিরগা নক্লবা বরকানালিদা লৈবা কিরতুর রানি চেন্নাম্মা রেসিদেন্সিএল স্কুলগী প্রিন্সিপালনি। মহাক্না মহৈরোয় নুপীমচাশিংবু ক্লাস টেন ইগজামদা মার্ক ৱাংনা ফংহনগনি হায়না থাজবা পীরগা সেক্স্যুএল হরাসমেন্ট চথুখি।

মহাক্না নুপীমচাশিং অদুদা মঙোন্দা কোর্পোরেসন পীনবা হায়খি অমদি মদুগী মায়োক্তা লৈবশিং অফবা ওইরোই হায়না কিহনখি। মহাক্কী থৌওংশিংদা অথিংবা পীরকপা মহৈরোয়শিং হোষ্টেল মেশতা চাবা থকপ ফংল্লোই হায়নসু মহাক্না কিহনখি। মহাক্কী থৌওংশিং অদুদা পেন্দ্রবা মহৈরোয়শিংনা দিপ্যুটি কম্মিস্নরদা চেনা ৮ গী কমপ্লেন্ট অমা সবমিট তৌখি। মহৈরোয়শিংগী অৱাবদু খঙবদগী দি সীনা এক্যুজগী মায়োক্তা কমপ্লেন্ট অমা থাঙ্গৎনবা মহাক্কী ওফিসরশিংদা খঙহনখি।


## চিলদ্রেন হোমগী সুপরিন্টেন্দেন্ট পামজৈ

ইম্ফাল ইষ্টকী কৈবী সনাপাৎতা লৈবা য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোমগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ১ পামজৈ। লৈফম, চাফম পীজগনি। থাগী পেদি ইন্টর্ভিয়ু নুমীৎতা লেপ্পগনি। মহৈগী থাক গ্রেজ্যুএটতগী তাদবা ওইগদবনি। শাওগন্দবা, মৈখূনচিংবা ময়াই কাবা চীঙাক শীজিন্নদবা, অঙাংশিংবু ঈংনা-চিক্না লোয়নবীবা ঙমগদবা মীওই পামজৈ। য়াইবিলেনগী লুচিংবদা এদ্রেস তৌবা এপ্লিকেসন নভেম্বর ২৫ ফাওবগী মনুংদা মখাগীসিদা পীশিনবীয়ু। এপ্লিকেসনদি মখাগী মীওইসিদা নৎত্রগা কৈবী সনাপাৎকী য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোমদা পীশিনবীয়ু।

হায়জরিবা : **কুমার য়েংখোম**
এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি য়াইবিলেন
নাওরেমথোং কৈথেল, ইম্ফাল
ফোন নম্বর : **8794223604**

HL-P/0626/14,16


# কাশ্মির ভেল্লিদা এক্টিভ ওইরিবা এল ঈ টি, জে ঈ এম টেররিষ্টশিং আইদেন্টিফায় তৌখ্রে



শ্রীনগর, নভেম্বর ১৩ (এজেন্সী):
সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা কাশ্মির ভেল্লিদা এক্টিভ ওইরিবা পাকিস্তানি টেররিষ্ট ৩৮ আইদেন্টিফায় তৌরে। অথুবা মতমদা মখোয়গী এক্টিভিটিশিং লেপহন্নবগীদমক কোওর্দিনেটেদ ওপরেসন অমা লোঞ্চ তৌরগনি হায়না ইন্টলিজেন্স গ্রিদকী সোর্ছশিংনা ফোঙদোরক্লি।

সোর্ছশিং অদুনা ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোরকখিবদা, অল্ট্রা ৩৮ অদুগী মনুংদা ২৭তি লাস্কর-ঈ-টাইবা (এল ঈ টি)গী মীওইশিংনি অমসুং ১১না জইস-ঈ-মোহন্মদ (জে ঈ এম)গীনি। মখোয় হৌজিক সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা কৃপশেন শেন্নরি।

মখোয়না মখা তারদুনা অল্ট্রাশিং অসিনা লৈরিবা মফমশিং খঙবা ঙল্লে। মখোয় শ্রীনগর, পুলৱামা, বরামুলা অমসুং পুলগাম অমদি ভেল্লি অসিগী অতৈ মফমশিংদা চাইরগা লৈ। মখোয় খরদি ফোরেষ্ট এরিয়াশিংদা লোৎলগা লৈ হায়নসু সোর্ছশিং অসিনা ফোঙদোরকখি।

চহী অসিগী ওক্টোবর থাদা কাশ্মির ভেল্লিদা মীচম কয়া হাৎপগী থৌদোকশিং থোক্লকখিবা মতুংদা শেমখিবা স্পেসল গ্রুপ্না চপ চাবা মফমশিংদা ওপরেসন চথনবগীদমক অদুগুম্বা মফমশিং খঙদোক্লবা হোৎনদুনা লাক্লি। মখোয়দা ওভরগ্রাওন্দ ৱর্করশিংনসু মতেং পাংলি হায়না সিক্যুরিটি গ্রিদকী ওফিসলশিংনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মখোয়না হায়, অল্ট্রাশিং অদু মশক খঙবা ঙম্লিবসি সেন্ট্রেল পুলিস এজেন্সিশিংগী স্পেসলাইজ গ্রুপ্না কন্না হোৎনবদগীনি। মখোয়না ইন্দিয়ান আর্মি অমসুং জম্মু এন্দ কাশ্মির পুলিসকী স্পেসল ওপরেসন গ্রুপকা খূৎশম্নমা থবক তৌরি। নৌনা শেমখিবা টেরর মোনিটর গ্রুপ (টি এম জি) অসি অতৈ সেন্ট্রেল এজেন্সীশিংগা কোওর্দিনেট তৌনদুনা কাশ্মির ভেল্লিদা টেররিষ্টশিং থেংনবদা য়াম্না ইফেক্টিভ ওইরি।

ভেল্লি অসিদা টেররিষ্টশিংগী মায়োক্তা চথরিবা ওপরেসন্দা টি এম জিনা মরু ওইবা থৌদাং লৌরি। গ্রুপ অসিনা ইন্দিয়ন বোর্দরগী কিলোমিটর খরনা কোনবা মফমশিংদা টেররিষ্টশিংগী মায়োক্তা মায় পাক্লবা ওপরেসন কয়া চথুবা ঙমখ্রে।

# ‘বেনিফিসরিশিং কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পা ওইগদবনি’

ভোপাল, নভেম্বর ১৩ (এজেন্সী):
মধ্য প্রদেশ গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট অসিদা চহী অসি লোইবা ফাওবগী মনুংদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসন চাদা ১০০ এচিভ তৌনবা তোঙানবা মেথদ অমা শীজিন্নরি। খ্বাইদগী নৌবা খোঙথাং অমদা ষ্টেট অসিগী ফূদ এন্দ সিভিল সপ্লায়জ দিপার্টমেন্টনা গভর্ণমেন্টনা চল্লাইবা ফ্যের প্রাইস শোপশিংদা লৈরিবা সবসিদাইজ তৌবা নৎত্রগা লেম্না ফংহনগদবা হৱাই-চেঙৱাই অমদি চান-থক্লবা পোৎলমশিং শুপ্পগী ভেক্সিন দোজ অনীমক কাপ্লবা মীওইশিংদা পীগনি হায়না লাউথোকখ্রে। অদুম ওইনমক ভেক্সিন কাপত্রিবা মীওইশিংগী ওইনদি মখোয়না খ্বাইদগী নকপা ভেক্সিনেসন সেন্টরদা ভেক্সিন কাপ্পদা য়ারবা মতমদা মখোয়দা রসন পীগনি।

দিপার্টমেন্ট অসিনা ফ্যের প্রাইস শোপশিংদা লৈরিবা মসিগী ইমপ্লোয়ীশিংদা অরাকপা বেনিফিসরি খুদিংমক্কী ভেক্সিনেসন ষ্টেটস হংদোক্লবসু খঙহনখ্রে। মখোয়দা বেনিফিসরিশিং অদুগী মমিং, কন্টেক্ট নম্বর অমসুং ভেক্সিন কাপখিবা তারিখ নোট তৌহৌনবা খঙহনখি। ফূদ এন্দ সিভিল সপ্লায়জ দিপার্টমেন্টকী ওফিসল অমনা ফোঙদোরকপদা প্রোসেস অসিনা ঐখোয়দা অকক্লবা ৱার্দ নৎত্রগা ভিলেজ অমদা লৈরিবা মীওইশিংগী মরক্তা করম করম্বা মীওইশিংনা অহানবা দোজ নৎত্রগা দোজ অনীমক কাপখ্রবগে অমসুং করম করম্বা মীওইশিংনা দোজ অমা ফাওবা কাপত্রিবগে হায়বগী কলেক্টিভ দেটা অমা ফংহনগনি। মসিনা হেল্থ ৱর্করশিংবু বেনিফিসরিশিংগী ময়ূমদা চৎতুনা ভেক্সিন কাপ্পদা খুদোংচাহল্লগনি।


## ADMISSION OPEN
# PHOENIX ENGLISH COACHING
FOR CLASSES X (BOSEM) & XII (COUNCIL)
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, LAIMAYUM LEIRAK
Detailed explanation of every lesson
Complete discussion of exam-related questions
Free supply of printed questions and answers
Weekly exam-oriented tests.
Nowhere can you find such English coaching class.
CLASS COMMENCING SHORTLY. GET YOURSELF ADMITTED. SEATS ARE LIMITED.
6 TO 7:30 AM & 5:30 TO 7 PM
PLEASE CONTACT 8974642764
HL-B/7261/2/11-2/12

**/খোঙ হান্বা খূদিংগী শৌজ নান্থবা, অমাংথোঙ মনুংদু খুজিনবা, অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা-নাবা, অমাংথোঙ মনুং অমদি মপান্দা পোন্বা, খোঙ হান্বা চাং নাইদবা, খোঙ মপূং ফানা অমুক্তা হামদোকউ য়াদবা, খোঙ হান্বদা মতম কুইনা চঙবা, অমাংথোঙ মপান্দা চেখায়বা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা মতম কুইনা নাদুনা খোঙ হান্বা খূদিংগী শৌজ নান্থবা, নান্থবা শৌজ অদু মশানা হনগৎলু য়াদবা খূৎনা ইনশিনবা, ফম্বা মতমদসু নান্থরকপা, মরক-মরক্তা চৎপা মতমদসু শৌজ নান্থরকপা, অমাংথোঙ মনুংসু খুজিনবা, খোঙ হান্বা মতমদা অমাংবদু ৱাতিন মতেকুম্না পীক্লা তারকপা, অমাংথোঙ মনুং অদু খুজিনবনা মরম ওইরগা, অমাংবদু লোইনা তারকউ য়াদবা খূৎনা কোৎলগা শেংনা লৌথোকপা, খূৎনা কোৎলগা লৌথোকহৌদবা তারগদি অমাংথোঙ মনুংদা চিক্লি-চিক্লি তৌরগা অদুম লৈবা, অমাংথোঙ মনুং অমদি মপান্দা পোন্বা, অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু থাগৎপা, থাগৎফম অমাংথোঙ মপান অদু চেখায়বা, চেখায়বা অদু হীদাক চারবসু, তৈরবসু ফাজিল্লু য়াদবা, খোঙ হান্বদা য়াম্না থুপ্পা, অমাংথোঙ মপান্দা চেখায়বা অদুনা মরম ওইরগা খোঙ হান্বা চাং নাইদবা, খোঙ মপূং ফানা হান্বা য়াদবা, কোঙ হান্বদা মতম কুইনা চঙবা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা, হকচাংগী ইন্দ্রি অসি শোন্থবা, খ্বাঙ নাবা, লেংজুম নাবা, ঙকশম মরী নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবা :* **O. Ibopisak Meitei**
Changangei Airport

HL-B/7236/14